# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য সরকার অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মখা তানা মতেং পাংনদুনা মণিপুরদা শান্তি হৃঞ্জিল্লকবা কন্না হোৎনরি।

২) এক পের মা কে নাম হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উ চারা থাবগী থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং য়ুক্রেন্না লম কয়াদা তেংবাং পীননবা য়ান্নচে কয়ামরুম সহি তৌনখ্রে।

------

আর্মি চীফ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা শান্তি হৃঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা রাজ্য সরকার অমস্ং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মখা তানা অমগা অমগা মতেং পাংননবা হোৎনরি।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ভারত লান্মীগী মকোক, চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ উপেন্দ্র দ্বিবেদিগা মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা হিরম অসিগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা জেনেরেল দ্বিবেদিনা মণিপুরদা লাক্কুনা শান্তি রক্ষাগী ফিভম য়েংশিল্লবা অসিগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়- মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা থেংনরিবা সমস্যশিংগী মতাংদা লান্মীগী মকোক অসিগা কুপা খন্ন-নৈনখি।

মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নবা অদুদা লেফটনেন্ট জেনেরেল আর.সি. তিৱারি, জি.ও.সি ইন চীফ- লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেনধারকর, থ্রি কোরগী জি.ও.সি- মেজর জেনেরেল রবরুপ সিংহ অমসুং আই.জি.এ.আর (সাউথ)সু য়াওখি।

চীফ জষ্টিস (এল)ঃ মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুলনা লুচিংদুনা ঙরাং মণিপুর হাই কোর্টকী কমপ্লেক্সতা উ চারাশিং থাখ্রে। মালেম ইমাবু ইকায় খুমম্বগা লোয়ননা এক পের মা কে নাম হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা পাঙথোকপা উ চারা থাবগী থৌরম অদু রাজ্যগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মণিপুর হাই কোর্টকী জজশিং- জষ্টিস কে. বিমোল, জষ্টিস এ.গুনেশ্বর শর্ম্মা, জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলসিল্লু কবুই, মণিপুরগী এদভোকেট জেনেরেল লেনিন সিংহ হিজম অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। উ চারা থাবগী থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদসু মখা তানা চথ্নগনি হায়রি।

এক পের মা কে নাম হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চহি অসিগী ওইনা উ চারা লাখ ২৬ থাখ্রে। মথং চহিগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা পুন্না উ চারা লিশিং ৫০ থানবা পান্দম থম্মি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথ্নরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পরাউ, সেকমাই লাইপাৎ অমসুং সেকমাই থাঙ্গ লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্নবদা কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা, অহাংবা মেগজিন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমসুং অহাংবা মেগজিনগা কোন্নবা কন্ত্রি মেদ রাইফল অমা ফাগৎলে।

অমরোমদা, নার্কোটিক এন্দ এফ্যারস ওফ বোর্দর (নাব)না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শঙাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙরাং ময়াই কাবা ড্রগকী মতাংদা মহৈরোইশিংবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ককচিং অমসুং উখ্রুল জিলাশিংদা লিন্না চিকপা মীওই অনি লায়েংখ্রে। অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়- থা অসিগী ২২ দা পল্লেল খুল্লক ভিলেজদা নুপা অমা ময়ুমদা লিন্না চিকপদগী অরুবা ফিভমদা পুখৎলক্তুনা পল্লেলগী অসাম রাইফলসকী এদহোক হোস্পিতালদা লায়েংখি। ঙরাংসু উখ্রুল জিলাগী নুংসাং খুল্লেল ভিলেজদা নুপী অমা লৌবুক্তা লিন্না চিকপদগী সংসকতা লৈবা অসাম রাইফলসকী য়ুনিত হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েংলবা মতুংদা ফদুনা ময়ুমদা হনখ্রে হায়রি।

বন্দ (এল)ঃ তাওবম ভিলেজ ওথোরিতিনা নেসনেল হাইৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথগনি হায়না তৌরম্বা অদু তোকখ্রে। ঐখোয়গী নোনে পাড অগুই কামৈনা হায়-নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরথচন্দ্র অরোজ্না সভাপতি ওইদুনা তাওবম ভিলেজ ওথোরিতিগী লুচিংবশিং অমসুং এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংগা ঙরাং ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নবদা খুঞ্জাশিংনা দাবী তৌরিবা- ইরং তুরেলগী মথক্তা লেন মরিগী আর.সি.সি থোং শাবীয়ু হায়বা ৱাফম অদুগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপদগী ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং হন্দোকখিবনি।

মৈ (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈগী খাজনা তোনবা কঞ্জুমর ৫১ গী মৈ ককখ্রে। কম্পনি অসিগী চেরোল অমদা হায়- কম্পনি অসিগী ওফিসিয়েলশিংনা মফম কয়াদা রেইদ চথবদা ইম্ফাল ইষ্টকী দিভিজন ৱান, টু, থ্রি অমসুং ফোরগী এরিয়াদগী পুন্না মীওই ১৭ মৈ হুরাল্লম্বগী ফাখি। ককচিং দিভিজনদগী মীওই অমা, থৌবাল

দিভিজনদগী মীওই মরি, বিষ্ণুপু দিভিজনদগী মীওই মরি অমসুং কাংপোকপী দিভিজনদগী মীওই মরিসু মৈ হুরাল্লম্বগী ফারে হায়রি।

ৱেদর (এল)ঃ মণিপুরগী নোনে জিলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৯.২৯ য়ৌখি। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী পাউনা হায়- বিষ্ণুপুর, কাংপোকপী, সেনাপতি, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১ গী মথক্তা শাখি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়- মণিপুরদা ঙসি ময়াই ওইপ্পা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই। ফিভম অসি লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিদসু থোইনা অহোংবা লৈরদবা য়াই।

খাঙবোক(এল)ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী মণিপুরদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মফম কয়া তপা তপা ঈশিং থুমজিল্লক্লি। নোং অসিনা মরম ওইদুনা ঙরাং খাঙবোক্কী মফম খরসু ঈশিং থুমজিল্লে হায়রি।

দেদ বোদি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চীংমৈরোং মমাং লৈকাইদা লৈবা হোকসা সোপ মমাংদগী ঙরাং নুপাগী অশিবা হকচাং অমা ফংলে। লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী পাউনা হায়- মীওই অদু কুলৈ কুচুনি, ফুট ৫ ইঞ্চি ১ রোম ৱাংই, মশা পায়, মশম তেল্লি, ওলিভ গ্রিগী জেকেদ অমা লিৎলি, মকোই চোম্মি। রিমসকী মোর্গতা থল্লিবা অশিবা হকচাং অদু থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা মশক তাক্লদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ডে (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টগী হুইকপ হাইস্কুলদা ঙরাং নেসনেল স্পেচ ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি, মণিপুরগী ইজ্‌কেসনেল আউটরিটচ প্রোগ্রামগী মখাদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা ৱা ঙাংখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুক্রেনগী রাষ্ট্রপতি ভ্লোদিমির জেলেন্সকিগী মরক্তা ঙরাং য়ুক্রেনগী কিভতা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নচে কয়ামরুম সহি তৌনখ্রে। য়ান্নচেশিং অদুগী মনুংদা- লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা, য়ুক্রেনদা কম্যুনিতি দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট পায়খৎনবা, ময়াই কাবা ড্রগ লাকশিন্নবা, কলা সংস্কৃতিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং লৌউ শিংউগী লমদা তেংবাং পীনবা য়াওরি।

শ্রী মোদি অখন্নবা রেলগাড়ি অমদা পোলেন্দদগী লাক্তুনা ঙরাং কিভতা থুংখিবনি। মহাকা মফম অদুদা থুংলবা মতুং মফম অদুদা পাঙথোকপা অঙাংশিংগী একজিবিসন অমসু য়েংখি।

হিদাক ঃ হকচাংদা শোকিঙাই ওইবা এন্তি বাইওতিক্স, পেন কিল্লর অমসুং মল্টি ভিতামিন য়াওনা হিদাক মখল ১৫৬ সরকারনা অথিংবা থমখ্রে। হকশেল মন্ত্রালয়না থোকপা নোতিফিকেসন অমদা হায়- হায়রিবা হিদাক মখলশিং অসিদা য়াওরিবা মচলশিং য়াওফম থোকপা চাং য়ৌদবদগী অথিংবা অসি থম্বনি। মন্ত্রালয়না হায়- হায়রিবা হিদাকশিং অসি শিজিন্নবদা মীওইবগী হকচাংদা খুদোংথিনিঙাই ওই। সরকার অমদি ড্রগস টেকিকেল এদভাইজরি বোর্দ এক্সপার্ট কমিতি অমা শেমদুনা হিরম অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, জেনেরেল উপেন্দ্রগা সি.এমগা উন্নখিবা, বি.জে.পি ষ্টেট এনরোলমেন্ট তৌনবা মীফম পাঙথোকখিবা অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- বি.জে.পি ষ্টেটকী এনরোলমেন্ট তৌনবা মীফম পাঙথোকখ্রে, মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী হৌরকফম পুমমকা খঙবা

হৌরবনি, লৈঙাকা তৌরিবসি য়েলহৌমী কন্নবনি, লৈবাক মাংহন্নবা নত্তে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা খ্বাইদগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পাউ অসিমক নহারোলগী থৌদাংদা- ভারত সরকারনা লৈবাক অমদি জাতি অসিবু কন্নবা বেসিক ওইবা থবকশিংদি তৌবা হৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, জেনেরেল উপেন্দ্রনা সি.এমগা উন্নখ্রে, আর্মিগা কোওপরেসন লৈনা থবক তৌনবা, শান্তি থমবা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক মণিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক অমসুং পোকফমদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মীয়ামা পেত্রোলবু পাকৎ পোৎলৈ তৌরকপগী ৱাথোক সি.এ.এফ. এন্দ পি.দিনা কেকু লোৎপী শান্নরব্রা হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- এম.এল.এ অহুমনা কুকি জো খক্তা শিজিন্নবা য়ানিংদে, কুকি জোমি মার হায়গদবনি হায়না ফোংকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা চহিসিদা দেঙ্গিগী কেস ১৫১ থেংনখি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সুদা লৈরিবা লালহৌলুপশিংগী গ্রাউন্দ রুলশিং কেন্দ্র সরকারনা য়েংশিনখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- ইরাংগী চৈথেং- তম্পাক্কী পেত্রোল পম্প ৩৬ চলাইবা ঙমদবদগী থোঙ লোনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৮ দা অকনবা নোং চুরগনি হায়না ওরেঞ্জ

এলার্ট লাউথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী নোনে জিলাদা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা পাইরে রেলৱে ব্রিজ চৎলিবা চহি অসিগী ওক্তোবর থাদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়বা পাউ গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------